# ভী আই পি কলচর লোইশিন্নবগী পান্দমদা রেদ বিকন শীজিন্নবা থিংখিবনি : মোদি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী) :

অখন্নবা মীওই খরগী ৱাখলদা ফাওরিবা ভী আই পি কলচর লৌথোক্লবগী পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা রেদ বিকন শীজিন্নবা থিংনবগী ফিরেপ লৌখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

রেদিও প্রোগ্রাম 'মন কি বাট'তা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্লা হায়খি, লৈবাক অসিদা ভী আই পি হায়বা ৱাহে অসি মুখৎলগা ঈ পি আইনা মহুৎ শীনগদবনি। ঈ পি আই হায়বদি এভরি পার্সন ইজ ইম্পোর্টেন্ট হায়বনি।

সেন্টরনা রেদ বিকন শীজিন্নবা থিংনবগী ফিরেপ লৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা মীওই ক্রোর ১২৫মক মগুণ লৈবা অমসুং মরুওইবা মীওই ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

রেদ বিকনগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, রেদ বিকনবু ভী আই পি কলচরগী সিম্বল অমা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা মীওই খরনা থৌওং অসিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি। গাড়ী মথক্তা খিনবা রেদ বিকননা মরম ওইরগা গাড়ী অদুদা তোংলিবা মীওইশিংনা চাউথোকচবগী ৱাখল চেনবা মরম্না লৈবাক অসিদা ভী আই পি কলচর লৈরকখিবনি।

রেদ বিকন শীজিন্নবা য়াদ্রে হায়রবসু মীয়ামগী ৱাখলদা পকশিন্দুনা লৈহৌরবা ভী আই পি কলচরদি খুদক্তা হেক মুখৎপা ঙম্লোই। অদুম ওইনমক মকোক থোংবা লূচিংবশিংনা মীচম মীয়ামগা খুৎশম্ননা হোৎনরবদি ভী আই পি কলচর মপুং ফানা মুখৎপা ঙমগনি।

মীপুম খূদিংমক মরুওইবা মীওই ঙাক্তনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মিনিষ্টর অমদি ব্যুরোক্রেট ওফিসার খরখকপু ভী আই পি ওইনা লৌবগী মহুত্তা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১২৫ মক মরুওইবা মীওই ঙাক্তনি হায়না লৌরবদি ইন্দিয়া অসি ভী আই পিগী লৈবাক ওইরকপা মশানা তাবনি।

লৈবাক মীয়াম্না দিজিটেল ট্রানজেক্সনগী ঈহৌদা মপুং ফানা শৌগৎলকপদগী শেঞ্জা-থুমজাগী চাং হন্থহনবা ঙম্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবনি।

রেদিও প্রোগ্রাম 'মন কি বাট' তা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা লৈবাক মীয়াম্না শেঞ্জা-থুমজা অমসুং ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লেপ্লে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। হৌখিবা থা খরগী মনুংদা দিজিটেল পেমেন্টকী চাং ৱাংখৎলকখি। সেন্টরনা লোঞ্চ তৌখিবা দিজিটেল পেমেন্ট এপ্লিকেসন, ভিম দাউনলোদ তৌবগী চাংসু ৱাংখৎলকখি। ভিম এপস লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা মীওই ক্রোর ১.৫ না এপ্লিকেসন অসি দাউনলোদ তৌবা লৈখ্রে। মপুং ফানা কেশলেস ট্রানজেক্সন তৌনবগীদমক মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা লোঞ্চ তৌখিবা এপ্লিকেসন অসিনা মোবাইল ৱালেট, য়ু এস এস দি অমদি রুপেগী খুখাংদা দিজিটেল পেমেন্ট তৌনবগী খুদোংচাবা পীরি।

শেঞ্জা-থুমজা অমসুং ব্লেক মনি লাকশিন্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টেক্নোলোজি অমসুং দিজিটেল ট্রানজেক্সনদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা লাকখি। মমাঙগী মন কি বাট প্রোগ্রামদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌখিবা থা খরগী মনুংদা ইন্দিয়াগী শেন্মীৎলোনদা চাওনা অহোংবা লাক্লে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মীপুম খূদিংমক লক্কি গ্রহক যোজনা অমদি দিজিধন ব্যাপার যোজনাদা শরুক য়াদুনা দিজিটেল ট্রানজেক্সনদা মীৎয়েং চঙনবা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা আপিল তৌদুনা লাকখি।

# নিটি আয়োগনা লোক সভা, এসেমব্লিগী মীখল পুনশিন্নবগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী) :

নিটি আয়োগনা কুমজা ২০২৪দগী হৌনা তাঙ্কক অনী থোক্লা লোক সভা অমসুং এসেমব্লিগী মীখল পুন্না পাঙথোকপগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

মতম অমুক্তদা মীখল পুন্না পাঙথোকপনা খুদোংচাবা কয়ামরুম লৈগনি হায়না পল্লদুনা নিটি আয়োগকী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনগদবনি হায়না রেকমেন্দ তৌখি। রেকমেন্দেসন অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসনবু নোদেল এজেন্সী ওইহনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱার্কিং গ্রুপ অমা শেমদুনা থবক্তা ওন্থোকপা য়ানবা হোৎনগদবনি হায়রি।

থা ৬কী মনুংদা মীখল পুন্না পাঙথোক্লবগী থৌশীল শেম্বগা লোয়ননা মথং চহীগী মার্চতা পীখৎলক্লবা খঙহনখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা গভর্নিং কাউন্সীলগী মীফমদা মীখল পুন্না পাঙথোকপগী ৱাফম য়াওবা দ্রাফট রিপোর্ট অমা য়েন্থোক্তুনা খন্নখি।

ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরি খূদিংমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফমদা খন্নখিবা ৱাফম অদু য়াম্না মরুওইনা লৌনরি। মরমদি প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মতম অমুক্তদা লোক সভা অমদি এসেমব্লিগী মীখল পুন্না পাঙথোকমিন্নবগী ৱাফম মাঙজৌননা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

নিটি আয়োগকী দ্রাফট রিপোর্টনা হায়খি, ইন্দিয়াদা অচুম্বা মওংদা অমসুং মীচং মীখায় নাইদনা মীখল পাঙথোক্লবা থৌশীল শেম্বা মথৌ তাই। মরম অদুনা কুমজা ২০২৪দগী হৌরগা তাঙ্কক অনী থোক্লা লোক সভা অমদি এসেমব্লিগী মীখল পুন্না পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি। হায়রিবা থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক অখণ্ড অহৈশিং, গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎ য়াওবা কম্মিটি অমা শেম্বা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীখল পুন্না পাঙথোকপগী মরুওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, শুপ্নগী পার্টি অমা নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট অমনা থৌরাং অসি লৌখৎপা ঙম্লোই। মীপুম খূদিংমক হীরমসিদা খুৎশম্নবা মথৌ তাই।

# অটারি-ৱাগাহ বোর্দরদা কুমজা ১৯৪৭কী পার্টিসন নীংশিংদুনা মেমোরিএল শারগনি



চান্দিগর, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী) :

ইন্দো-পাক বোর্দরগী অটারি-ৱাগাহ মনাক্তা কুমজা ১৯৪৭কী পার্টিসন নীংশিংদুনা অথুবা মতমদা নীংশিং খুভম অমা শানবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

নুমিৎ খূদিংগী মীওই লীশিং ১০ রোম শরুক য়াদুনা বিটিং রিট্রিটকী থৌরম পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক্তা নীংশিং খুভম অমা শাদুনা কুমজা ১৯৪৭তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান খায়দোক্লখিবগী থৌদোক নৌহৌনা নীংশিংহন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ১৯৪৭ পার্টিসন আর্কাইবকী ফাউন্দর অমসুং ইগজিক্যুটিব দিরেক্টর গুনিতা সিংহ ভলানা হায়খি, মতমদুদা ইন্দিয়া-পাকিস্থান খায়দোক্লখিবা মতমদা মতৌ করম্না ইমুং অমগী মীওইশিং ঙমখৈগী ৱাংমা ৱাংমদা লৈনখিবগে হায়বদু তুংগী মীরোলদা ময়েক শেংনা খঙহনবা পামই।

ৱাগাহগী পুৱারী নৌনা হিংগৎ-হনবগা লোয়ননা পার্টিসন মতমদা মীয়াম্না থেংনখিবা খুদোংচাদবশিং ঙসিগী মীরোলদা ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা ফিট ৩৬০ ৱাংবা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা নেসনল ফ্লেগ অমা পঞ্জাবকী অটারি-ৱাগাহ জোইন্ট চেক পোষ্টতা চিংখৎখি।

# দিল্লিগী আই এস বি টিগা মান্নবা অমা গোরখপুরদা শেমগৎলগনি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী) :

দিল্লিদা লৈরিবা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস (আই বি টি)গী মওং লৌরগা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা গোরখপুরদা অনৌবা আই এস বি টি শেমগৎকদৌরি।

সোর্ছ অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, য়ু পিগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর সুতন্ত্র দেব সিংহনা অথুবা মতমদা মহারানা প্রতাপ আই এস বি টিদা লাক্তুনা ফীভম য়েংশিল্লগনি।

আই এস বি টি অসিগী মোদেল লৌরগা অদিত্যনাথগী পোক্লফম লমদম গোরখপুর দিষ্ট্রিক্তা চপ মান্নবা মল্টি ফেসিলিটি আই এস বি টি শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না সিনিয়ার ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

অদিত্যনাথনা মীখলদা মঙারক হন্না মায় পাকখিবা গোরখপুর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মফম পূম্নমক শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকদৌরি। অহানবা খোঙথাং ওইনা মহারানা প্রতাপ আই এস বি টিগী মোদেল লৌরগা গোরখপুরদা মওং তাবা বস টর্মিনস অমা শেমগৎকদবনি হায়রি।

আই এস বি টিদা রাজস্থান, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং হরিয়ানা চৎকদবা বস কয়া খাম্নবগী খুদোংচাবা পীরি।




পনবা য়াবদি, যোগি অদিত্যনাথনা লাইনিং লাইশোল তৌফম খূদিংমক চেকপল খাগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা পুখৎলকপা প্রপোজেল অমা কুপ্না খন্নবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱারেপ লৌরবা য়াইনা হায়না থাজনরি।

ষ্টেট অসিগী লাইনিং লাইশোল তৌফম পূম্নমক শম্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হীরমসিগী মতাংদা লেন মরিগী ওইবা লন্মীশিং শেমগৎলগনি হায়না য়ু পিগী কেবীনেট মিনিষ্টর শ্রীকান্ত শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদগী কোয়রকপা মীওইশিং খুদোংথিবা নংহন্দনবা হোৎনবা হায়বসিনা লৈঙাক্কী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাংনি। মরম অদুনা অতোপ্পা ষ্টেটতগী কোয়রকপা অমসুং লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিং চেকশিন্না ঙাক শেন্নবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংদা অকনবা পাউতাক পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী লাইনিং লাইশোল তৌফমশিং চেকপল খাজিন্নবা ৱাফম পুখৎলকখ্রবা মতুংদা যোগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা য়ু পি গভর্ণমেন্টনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপনি। ফনা মরুওইবা মীওই ওইবা তারবসু অরানবা তৌরম্বা থোক্লবদি লেম্না থারোইদবনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা পুলিস ওফিসারশিংদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৮দগীনা পুং ১১ ফাওবা মীয়ামগী ৱাকৎ তাদুনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু অদিত্যনাথনা সিনিয়ার পুলিস ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

মীয়ামদা মতম চানা মৈ-ঈশিং ফংহন্নবগী মতাংদা মহাক্লা হায়খিবনি মদুদি, খুঙ্গং খূদিংমক্তা নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৭তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা শোয়দনা মৈ ফংহনগদবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা পাৱর মিনিষ্টর শ্রীকান্ত শর্ম্মনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, অনৌবা লৈঙাক অসিনা লো এন্দ ওর্দরবু খ্বাইদগী মরুওইনা লৌবগা লোয়ননা মখল অমত্তগী ক্রাইম থোকহন্দনবা পুলিসতা অকনবা পাউতাক পীখ্রে।

# কর্নেল অমগী য়ুমদগী খুৎলাই কয়ামরুম ফাগৎখ্রে

মিরুট, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী) :

উত্তর প্রদেশকী মিরুটতা লৈবা থবক্তগী পোত্থারবা কর্নেল অমগী ময়ুমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎলাই, শেমদোক্লগা শা অমসুং য়াল্লবা শেনফম লৈরম্বা থেংনখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্টেলিজেন্স (দি আর আই)না ঙসি থবক্তগী পোত্থারবা কর্নেল দেবেন্দ্র সিংহগী ময়ুমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লুপা ক্রোর ১ শাগী মউন অমসুং রাইফল ৪০ লৈরম্বা থেংনখি।

থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী দি আর আইনা পুং ১৬ চঙনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কার্ত্রিজ ৫০,০০০, রাইফল ৪০, শেল ওইনা লুপা ক্রোর ১ অমসুং লম্লক্কী শা খরগী মচি, ময়া অমদি মউন লৈরম্বা থেংনখি। শেমদোক্লবা শা কে জি ১১৭সু লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা থেংনরমই।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা নুমিদাং অথেংবা ফাওবা চথুখিবা থিবা হুম্বগী থবক অদুদা নোংমৈ কয়ারুম থেংনখ্রবসু লাইসেন্স অমত্তা ফংখিদে।

সিনিয়ার ইন্টেলিজেন্স ওফিসার মনোজ কুমারনা হায়খি, রিটয়ার্দ কর্নেল অদু ৱাহং পাউহং চথুদুনা মহাক্কী মচানুপা প্রশান্ত বিশনোয়গী মরমদা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোক্লবা হোৎনখি। নেসনল লেবেলগী শুটর অমা ওইরিবা প্রশান্ত বিশনোয় মতম খরগী মমাঙদা লোৎখিবদগী হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লাকখিবনি।

# ওপোজিসনগী প্রসিদেন্ট মীরেপনা বি জে পিগী মায়োক্তা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনহল্লগনি : যাদব

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী) :

প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসনগী অপুনবা মীরেপ অমা পুথোকপা ঙম্লবদি বি জে পি নত্তবা অতৈ পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙম্লগনি হায়না জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)গী লূচিংবা শরত যাদবনা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসনগী কম্মন কেন্দিদেট অমা থাদোক্লবগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা উনদুনা ৱারী শানখ্রবা জে দি (য়ু)গী প্রসিদেন্টনা হায়খি, হন্দক্কী মতাং অসিদা বি জে পি নত্তবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পুনশিন্নবগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

হন্দক্তা উত্তর প্রদেশ অমসুং দিল্লিদা পাঙথোকখিবা সিবিক ইলেক্সন্দা বি জে পিনা মায় পাকখিবগী মরুওইবা মরমদি ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিনবা ঙমদবননি। মরম অদুনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা বি জে পি নত্তবা অতৈ পার্টিশিং খুৎশম্নবা মথৌ তাই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।



বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এগী মায়োক্তা ওপোজিসনগী কম্মন কেন্দিদেট অমা থাদোকপগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়খি, প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিনবা য়ানবগীদমক কম্মন প্লেটফোর্ম অমা শেম্নবা হোৎনরি। ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিন্নবগী অহানবা খোঙথাং ওইনা কম্মন কেন্দিদেট অমা শোয়দনা পুথোক্লগনি।

পনবা য়াবদি, বিহারগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা জনতা দল য়ুনাইটেদকী লূচিংবা নিতিশ কুমারনা মমাঙ চয়োলদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা উনবদা ৱাফম অসি ইহান হান্না হৌদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (এন দি এ) নত্তবা পার্টিশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবগী মতাংদা কোংগ্রেসনা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। ওপোজিসন লীদর খরনা হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং রিজনেল পার্টি খরগী লূচিংবশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি।

ওপোজিসন লীদরশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙান্না ৱারী শানবগী মহুত্তা ফোর্মেল ওইনা এন দি এগী মায়োক্তা লৈবা পার্টিশিংগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কম্মন কেন্দিদেট অমবু প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা থাগৎলগনি হায়রি।

রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)কী লুচিংবা মোহন ভগৱটপু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা থাগৎপগী মতাংদা হান্নগী রেলৱে মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবা সী কে জাফর সরিফনা শৌগৎপা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

# 'শরিয়ানা ট্রিপল টলাক য়াদে'

হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন মিনিষ্টর এম ভেনকয়া নাইদুনা হায়খ্রে মদুদি, ট্রিপল টলাক্কী ৱাফম অসি লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনদে। হীরম অসিগী মতাংদা কন্না য়েৎনবা লৈরবসু শরিয়া লোনা টলাক্কী ৱাফম অয়াবা পীদে।

টলাক্কী মতাংদা কোংগ্রেসনা মতম শাংনা তুমিন্না লৈশিনবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মুস্লিম নুপীশিংবু অতৈ ফুরুপকী মীওইশিংগা থোং মান্ননা হিংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। মুস্লিম নুপীশিংবু হন্থবা মীৎয়েং য়েংবগা লোয়ননা তাথি তওইনা তৌফম থোক্তে। টলাক হায়বা ৱাহৈ অসি হুম্লক হায়রগা মপুরোইবনা মহাক্কী লোয়নবীবু তরাই তরাই খায়নবা য়াবগী চৎনবী অসি মতম চুপ্পগী ওইনা মুখৎকদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে হায়না কোংগ্রেসকী সিনিয়ার লিদর গুলাম নবি অজাদ অমসুং মালিক অর্জুন খার্গেনা মরাল শীরকপা লৈখ্রবনি।

লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3796/06/04-05/05

# সেপরেটিষ্টশিংগী ষ্ট্রাইক্না কাশ্মীরদা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহনখ্রে

শ্রীনগর, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী) :

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা মিলিটেন্টশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্তা আর্মি কেম্প অমদা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীচম অমা শিখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙ-দোক্তুনা কৌখিবা সেপরেটিষ্টশিংগী ষ্ট্রাইক্না কাশ্মীর তম্পাক্তা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহনখ্রে।




দুকান, অতৈ লল্লোন-ইতিক তৌফম অমদি থাউ হানফম পূম্নমক থোঙ লোনখি। লম্বীদা পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী বস অমত্তা চেন্নখিদে। অদুবু লন্নাইগী কার, টেক্সি অমসুং ওটোরিক্সো খরা চেনবা থেংনখি।

দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসকী মফম অয়াম্বদা চপ মান্নবা মওংদা সেপরেটিষ্টশিংগী ষ্ট্রাইক্না অপনবা থোকহনখি। হুরিয়ত কনফরেন্সকী ফেক্সন অনীমক্কী চেয়রমেন-সয়দ অলি শাহ গিলানি অমসুং মিরৱাইজ উমর ফরুক, জম্মু এন্দ কাশ্মীর লিবরেসন ফ্রন্টকী লূচিংবা মহমদ য়াশিন মালিকনা মহমদ য়ুসুফ ভাট কৌবা মীচম অমা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মখুত্তা লৈখিদবগী মায়োক্তা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম শীনবা থুংনা বন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অমরোমদা, নুঙ লংশিল্লকপগী থৌদোক লেপখিবগা লোয়ননা মহৈরোয় খূদিংমক্লা মহৈ তম্বরোমদা মায় ওনখিবা তারবদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পেলেট গন শীজিন্নহন্দনবা গভর্ণমেন্টতা খঙহনগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়খ্রে মদুদি, ৱাথোক লোইশিল-হন্নবগী মতাংদা শকখঙলবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা ৱারী শাননবা শেম শারে। অদুবু তোকখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা সেপরেটিষ্টশিংগদি ৱারী শানবা ঙম্লোই। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল মুকুল রোহাতগিনা হায়খি, ৱারী শানবদা রিকগ্নাইজ তৌরবা পোলিটিকেল পার্টিশিং শরুক য়াগনি হায়রবদি অকায়বা লৈতে। অদুবু সেপরেটিষ্ট লিদরশিং য়াওহনবা য়ারোই।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি কোকহন্নবগী মতাংদা অনৌবা পান্থ্বে অমা পুথোরক্লবা জম্মু এন্দ কাশ্মীর হায় কোর্ট বার এসোসিএসনগী লূচিংবশিংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা চীফ জষ্টিস জগদিশ সিংহ খেহর, জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুথ অমসুং জষ্টিস সঞ্জয় কিষণ পোলগী বেঞ্চনা হায়খি, কন্সটিট্যুসনগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা মীয়ামগী ঈহৌ লেপহন্নবা পান্থ্বে অমা পুথোরকপা তারবদি গভর্ণমেন্টতা পেলেট গন শীজিন্নদনবা য়াথং পীগনি।

বার এসোসিএসন্দা মতম পীরদুনা কোর্টনা হায়খি, অহানবদা করি থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি। মদুগী মতুং তারকপদা পেলেট গন শীজিন্নদনবা য়াথং পীগনি। মখা তানা নুঙ লংশিনবগী থৌদোক থোক্লবদি ৱারোইশিন পুরকপদা ৱানা থোক্কনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস (এস এফ)না মীয়ামগী ঈহৌ লোকশিন্নবা হোৎনবদা পেলেট গনগী মহুত্তা প্লাষ্টিক বুলেট ওইনা শীজিন্ননবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক তঙাইফদবা মতমদা পেলেট গন শীজিন্নবগী ৱাফমসু অয়াবা পীগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখিবনি।